# মালেমদা কাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা



Rose Wilder Lane



Chalie Chaplin



Henry Bergman

- চার্লিগী থমজিলহৌবা ফিল্মদা হাপখিদ্রবা ফিল্ম মতৎ-মকায়শিংদু য়েংলগা খঙবা ঙম্মী, চার্লিনা ফিল্মদা থোক্লক্লিবদু হেক্তা থোক্লকপা ওইরমদ্রে, কয়ারক হন্না রিহার্সেল তৌরগা, ফজনবা হোৎনরগা, য়ারে হায়রকপদা থোক্লকপা ওইরম্লে।
- Mutual কম্পনিগী মানা পুথোকপা অহানবা ফিল্ম, The Floor walker পুথোক্লবা হোৎনবদা মহাক চয়োল ২গা নুমিৎ ৫নি নিউ য়োর্ক্কী সহরদা কোয়দুনা মানা মতৌ তম্বা য়াবা লন্বী চৎপশিং য়েংখি। নোংমদি লন্বী চৎপা অমনা অৱাংবা ষ্টেসন্দুদা কানবা লৈরিবা থাক থাক্তুদা নান্থরকখিরম্মী। মদু উবদা মীয়ামদি নোকখি, চার্লিদি নোকখিদে। মমিৎ লংখৎলকখি। অদুগা Studio দা চঙখি। ফিল্ম নম্বা হৌখ্রে।
- মথঙদা The Fireman ফিল্ম নম্মে। চার্লিনা মৈ কনবা মী শাই। মৈ কনবা কাঙবুদুগী মকোক্লা Eric Campbell না শাই। মখোয়নীমক্লা লৈশাবী অমবু পাম্মী। লৈশাবীদু Edna না শাই। Edna গী মপানা চিম মকোক্তুদা হায়, "নঙগী মৈ কনবা কাঙবু লাক্কনু, ঐ দুকানসি মৈ থাদোক্কে, অদুগা Insurance লৌগে। অদু য়ারবদি ইচানুপী পীগে।" য়ানদুনা মৈ থারে, অদুবু মচানুপীদি মথক্কী কাদা লৈহৌরে। মদুদা চার্লিনা নুপীমচাদু কন্নবা কৈরাক কাবদুদনি নোক্কদৌরিবা।
- অহুমশুবা ফিল্ম The Vagabond অসিদি অঙকপদা মায় পাক্লে। মসিদা চার্লিগী ফাগীগী মথক্তা য়াম্না নুংশিবা লমচৎ খরসু শেল্লে। মসিদনা চার্লি Violin খোঙদুনা ঈশৈ শকপা শাই। Violin সু ওইনা খৎলি। মানা মমাগা লম্মাংখ্রবী নুপীমচা অমা কনবীখি। মানা নুপীদু নুংশি। অদুবু লাই য়েকপা নহা অমা লাক্তুনা নুপীমচাদুগী মশক য়েক্লম্মী। মদু উবদগী মমানা মচাবু মশক খঙলকখি। মমানা মচাবু থিরক্তুনা পুখি। চার্লি নীংবা কায়হৌই।
- মথঙগী ফিল্ম One A. M. হায়বা অসিনা অমুক্কা হেন্না মায় পাকখ্রে। মসিবু ক্রিটিকশিংনা অসুম্না হায়, "One A. M. is one of the best and most sustained film records of Chaplin". ফিল্মসি মাখক্তগী Solo performance নি। অদুগা রিল ২গী ফিল্মদু সিঙ্গল সেটতা নম্বনি। মসিদা মহাক জোকরগী ফিজেৎ শেৎতে, ফি নাল্লি, সিল্কী টুপী উপই, Opera Clock শেৎলি।
- মথঙদা য়াম্না খূৎ চঙনা The Count হায়বদু নম্মী। মসিদা মানা মকোই চোম্বা, শাউগনখ্রবা ফি তূবা মাষ্টর অমগী মখাদা থবক শূবা শাই। Edna না হেরোনী কুম্মী। ফিল্ম অসিনা চার্লিনা হেক পুথোক্লকপা ফিল্মশিংদগী খ্বাইদগী এলাবোরেট ওইবা প্রদক্সনশিংগী মনুংদা অমনি হায়নৈ।
- মথঙদা চার্লিগী খ্বাইদগী নোকপা ফিল্মনি হায়নরিবা, The Pawnshop হায়বসি পুথোক্লকই। মসিদা Pawn broker শারিবা অসি নৌনা লাকপা Henry Bergman নি। মহাকসি চার্লিগা চহী ৩০ চুপ্পা থবক শূমিন্নদৌরি। মহাক ১৮৬৮দা পোকপনি। মপানা শগোল লোইবা, মমানা ঈশৈ শকপী অমনি। মমাগী খোঞ্জেল লৌই মাসু।
- Henry Bergman পাখঙনি। চার্লিবু য়াম্না য়াজবা মীশকনি। চার্লিনসু ওন্থোক্লা থাজবা মীশকনি। ফিল্মদা রোল অমা হেক্তা কূম্বা ঙম্মী। অদুনা মাবু চার্লিনা য়াম্না য়াই। অদুমক্লা চার্লিগী ষ্টাফ মেম্বরশিংনা মাবু কল্লক্লে। মাদি লীলাসু য়াম্না হৈ।
- মথঙগী ফিল্ম Behind the Screen হায়বসিদা Henry Bergman না ফিল্ম দিরেক্টর অমগী রোল লৌই। ষ্টুদিও মনুংখক্তদা নম্বা ফিল্মনি। মসিনা ষ্টুদিওখক্তদা নম্বা চার্লিগী ৪শুবা ফিল্মনি। মসিদসু Edna না হেরোনী কুম্মী। ফিল্মসিদা চার্লিগী ফাগী অনৌবা ২ হাপচিল্লি।
- অসুম্না ১৯১৬কী অরোইবা ফিল্ম ওইনা The Rink হায়বদু দিসেম্বর ৪দা ফোঙখি। Mutual কম্পেনিগা য়ানখিবা মতুং ইন্না চয়োল ৪ খুদিংগী ফিল্ম অমমম পুথোকপা হায়বদু ঙাক্লা চৎখি।
- চহী লোইশিল্লকপসিদা সেপ্টেম্বর ২০দা চার্লিগী পুন্সিদা য়ূন্সফম ওইবা Chalie Chaplin's own story কৌবা লাইরিক অমা মশা খঙদনা ফোঙলক্লে। মদুদা মহাক শাউবনা লোইখ্রে। মরমদি অরানবনা পিক থনখ্রে। মাবু ফ্রান্সকী অপিকপা সহর অমদা পোকপনি হায়রি। অদুগা মমা Hanna বুদি থীনা ইদে অদুবু মপাবুদি য়ু ঙাওদুনদা লৈবনি হায়না ইরি।
- লাইরিক্তুদি ১৯১৫গী এপ্রিল অদুৱাইদা চার্লিবু ইন্টরভিয়ু লৌরম্বী San Francisco Bulletin গী মীহুৎ Rose Wilder Lane কৌবী নুপী অমনা ইবা ওইরম্লে। ফোঙবনা নিউ য়োর্ক্কী Publisher, Bobbs Merrill না ফোঙবা ওইরম্লে।

-মথং-মথং

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ



# পীশুমগী মওং-মতৌ ফজনা উহন্নবা পাম্বি





মীৎতা অমোৎ-অকায়, হুমাং অমদি ফত্ত-হৌদি চঙহন্দনবা মীৎপান মথক্তা শম কূংনা হৌরিবা শরুকশিং অদুবু পীশুম হায়না খঙনৈ। খজিক্তং চেকশিন-থৌরাং লৌখৎতুনা নীংথিনা মকে শেল্লবদি পীশুমগী ফজবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা শকসু ফজনা উহল্লি। পীশুমগী শম্নাশিং চাং য়াম্না মান্নদে। মরম অদুনা কোক্কী শমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগুম পীশুমগী শমদসু চেকশিনবা মথৌ তাই।

ঐখোয়না নোকপা-কপ্পা, শাউবা-হরাওবা অমদি থৱায় নুংঙাইতবা পুম্নমক পীশুমদা য়াম্না চাউনা মমি তাই। মীওইবা মশেল ৱারী-ৱাতাই শানবা, পাউফাওদোক-ফাওজিন তৌবদসু পীশুম অদুমক য়াওই। পীশুম য়াওদ্রবা মীৎতি শম য়াওদ্রবা কোক্কুম্বনি।

পীশুমগী মরু ওইবশিং খঙনরকপদগী হৌজিক্তি নুপী ওইবীশিংনা মচু-মমেন কয়া তৈদুনা অমদি মখল কয়াগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা পীশুমগী মকে শেম্বা হৌনরক্লে।

য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা পীশুমগী শম্নাশিং হেক্তমক কেনখিবা য়াবা মরম্না লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং খরখক খঙমিন্নসি :-

- পীশুম ফোয়বা তারবদি য়ারিবমকৈ নুমিদাং তূল্লমদাইদা ফোয়গদবনি। মায়গী মওংগা চান্নগদবা ফীভম য়েংলগা পীশুম ফোয়গদবনি।
- শমজেৎ অমনা নীংথিনা হাৎলবা মতুংদা হাইদোরকপা অহেনবা শম্নাশিং অদুতমক অফবা মখলগী ত্বীজর শীজিন্নদুনা ফোয়গদবনি।
- য়ারিবমখৈ শমখোঙ য়ৌনা শম্না অমমমতং ফোয়বনা খুদোংচাবা হেনগনি।
- শম্না কা হেন্না ফোয়দৎলোইদবনি অমসুং ইশা-ইশাগী শম মচুগা চান্নবা মচু অমা শঙজিনগদবনি।
- পেন্সিল শীজিন্নবা তারবদি য়াম্না তপ্পা-তপ্পা মনুং থংবা কাচিনলোমদগী মপানলোমদা চিংদুনা য়েক্কদবনি।
- য়েকশিল্লিবা মচু অদু অফবা মখলগী ব্রশ অমা শীজিন্নদুনা চাং মান্নহনগদবনি। হেন্না লূ-নান্না উহন্নবগীদমক হ্যের জেল অমা তৈরগা শমজেৎ ফজনা হাৎপসু কান্নগনি।
- আয়ব্রো লাইনর অমা শীজিন্নরগা পীশুমগী মরক-মরক্তা লৈবা অহাঙবশিং মেনশিনবগা লোয়ননা পীশুমগী মওং মতৌ ফজনা য়েক্কদবনি।
- মহৌশাগী ওইবা মওংদা হেন্না ফজনা উহন্নবগীদমক আয় শেদো ওইনা শীজিন্নগদবনি।

মায়থোংবু ফজনা উহনবদা পীশুমগী মওং-মতৌনা য়াম্না চাউনা মতেং পাংই। পীশুম্নবু ফজরবদি মায়থোংসু খরমখৈ নীংথিজনা উহল্লি। য়াম্না শোঙবা অমসুং ইথা-থাবা পীশুম ওইরবদি শম্না খরা ফোয়দৎপা মথৌ তাই। ইপা-পাবা অপীকপা পীশুম ওইরগনা আইব্রো পেন্সিলনা খরা য়েকসিনবা মথৌ তাই।

ইশা-ইশাগী মায়দাগী মতুং-ইন্না পীশুমগী মওং-মতৌ শেমগদবনি। পীশুমগী মকে শেম্বদা লৌখৎকদবা থৌরাং খরা খঙমিন্নসি :

পীশুমগী হৌরকফম অমদি লোইসিনফম অদু কদায়দগী কদায় ফাওবা ওইহনগদগে হায়বদু রুলর থাদুনা য়েংলগা চপ-চানা লেপথোক্কদবনি। মথক থংবা শরুক্তা করম্বা মফমদা কোলহনগদগে হায়বদুসু মিংশেল মমাঙদা লেপ্পগা স্কেল থাদুনা য়েংগদবনি।

মশাগী ওইবা ফীভমদি কায়হন্দনা পীশুম থানা উহন্নবা হোৎনগদবনি। অদুম ওইনমক সেন্টিমিটর অমদগী হেন্না থাগৎহনবদি তৌরোইদবনি। মসিদগী হাইদোরকপা অহেনবা পীশুমগী শম্নাশিং অদু পরম চুম্না ফোয়দোক্কদবনি। ইশাগা চান্নগদবা পীশুমগী মওং শেম্বা লোইরবা মতুংদা চাং নাইনা হাইদোরকপা শম্নাশিং ফোয়দুনা ফীভম কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি।

# চীঙ্গাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্লি - গাওট লায়না ফনবা চাগদবা চীঙ্গাকশিং

গাওট হায়বসি অরথ্রাইটিস মখল অমনি। খুৎ অমদি খোঙগী তাংশিংদা য়ুরিক এসিদ কা হেন্না তুংশিন্দুনা চৈনাখোল ফাওহল্লকপা অনাবা অসি নুপাশিংদনা খরা নম্না নাবা থেংনৈ।

গাওট নাবা মীওই অমগী খোঙবী, অতৈ খোঙশাগী তাংশিং, খুউ, খোঙজেং, খুজেং অমদি খুৎশাগী তাংশিংদা ঙাঙশং ঙাঙনা পোমখৎতুনা অসুক্কী মতিক চৈনাখোল ফাওই মদুদি ফিনা থেংবফাওবা খাঙবা ঙমদবমখৈ নাই। লায়না অসি ওইরকপগী মরু ওইবা মরমদি কিদনিনা মপুং ফানা য়ুরিক এসিদ থাদোরকপা ঙমদবদগীনি। তাং-তাংশিংগী অকোয়বদা লৈবা সাইনোভিয়ল ফ্লুইদতা য়ুরিক এসিদ মপং মপং পৈশিল্লকপা মতমদা হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টমনা মদুবু মাঙহনখিনবা হোৎনৈ। মসিনা মরম ওইরদুনা তাং-তাংদা পোমখৎতুনা চৈনাখোল ফাওরকই।

চাকচা-য়ুথক ফজদবা, শা-ঙা য়াম্না চাবা, কা হেন্না হকচাং নোয়বা, হেরিদিটরি অমসুং ষ্ট্রেসনা মরম ওইরদুনা অনাবা অসি ওইহল্লকপনি।

গাওট নাবা মীওই অয়াম্বা মবুক নোয়বা অমদি হকচাংগী অরুম্বা হেনবা মীওই ঙাক্তা ওইবা মরম্না হকচাংগী অরুম্বা অমসুং নোয়বা হন্থহল্লবদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না থাজনরি।

য়াঙ কংনিংলিবনি হায়দুনা অতেনবা মতমগী মনুংদা হকচাংগী অরুম্বা খঙহন-হন্থহনবা তারবদি ঈদা য়াওবা য়ুরিক এসিদকী চাং ৱাংখৎলক্তুনা গাওট ওইরক্লবগী মরম ওইহল্লি। চরা হেনবা মতমদসু ঈদা য়াওবা য়ুরিক এসিদকী চাং খংৱাং ৱাংখৎলকই। মরম অদুনা গাওট নাবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ চরা হেনবা তৌরোইদবনি।

য়ুরিক এসিদ হেনগৎহনবা মরম্না প্রোটিন অমদি প্যুরিনগী চাং ৱাংনা য়াওবা চীঙ্গাকশিং চারোইদবনি। ঈশিং চৎপা নুংঙাইনবা মহী মনাই য়াম্না থকপা ফৈ। নুমিৎ খুদিংগী য়ামদ্রবদা ঈশিং লিটর অনীদগী তাদনা থক্তুনা কিদনিদা নূং লৈরক্তনবা হোৎনগদবনি। বীয়র, ৱাইন অমদি অলকোহোল য়াওবা মহীশিং থকপনা হকচাংদগী য়ুরিক এসিদ মপান থোকখিবদা অপনবা পী। মরম অদুনা গাওট নাবা মীওইশিংনা মখল অমত্তগী য়ু থক্লোইদবনি। কেফিন য়াওবা মহী মনাই থকপনসু য়ুরিক এসিদ ৱাংখৎহনবদা মতেং পাংই।

গাওট অমদি র‍্যুমেটোইদ অরথ্রাইটিস নাবা মীওইশিংদা চৈনাখোল হন্থহন্নবগীদমক ওমেগা-৩ ফেটি এসিদ য়াওবা ঙা চাং নাইনা চাবা মথৌ তাই। লায়না অসি নারবা মীওই খরদি হাইপরটেন্সন, হার্ট দিজিজ, দাইবেটিস অমদি ব্লদ কোলেষ্টরোল ৱাংবা মরম্না নীংথিনা খঙ-হৈরবা দাইটিসিয়ন অমগা তান্নদুনা পুকসু থনগদবা, মচিসু ওইগদবা অমসুং হকচাংদা অকায়বসু পীরোইদবা চীঙ্গাকশিং চাগদবনি।

মহী-মনাই মরু ওইনা ঈশিং মরাং কায়না থক্তুনা হকচাং মনুংগী অমোৎপশিং মপান থোকপদা য়াওহনখিগদবনি। মসিনা কিদনিদা নুঙ লৈবা ঙমহন্দে। হকচাংগী অরুম্বা অমদি অনোয়বা হন্থহনবগা লোয়ননা ফেটকী শরুক হন্থহন্দুনা মসলগী শরুক হেনগৎহনগদবনি।

অয়াম্বা মতমদা গাওট লায়েংবা মতমদা নন ষ্টেরোইদেল এন্টি ইনফ্লেমেটরি দ্রগ (এন এস এ আই দি) পীজনৈ। অদুবু মসিদি ঙাইহাক্কী চৈনাখোল ফহন্নবগীদমক্তনি। মসিগীসু মথক্তা হিদাকশিং অদুনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিংদগীদি কান্নদবা সাইদ ইফেক্টনা হেল্লি। মসিগীসু মথক্তা গাওটকীদমক লৈরিবা প্রেস্ক্রিপসন মেদিসিন অয়াম্বা এদিক্ট ওইগনবগা লোয়ননা গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টাইনদা ঈ থোকহল্লি অমসুং চাকখাউ চাথৎতুনা অলসর ওইহল্লকই।

করিগুম্বা কানদা গাওটকী হিদাক চাবদা ওন্নিংবা, ওবা অমদি খোঙ হামথবা য়াওই। হিদাক মখল খরদি বোন মেরোদা শোকহনবগা লোয়ননা ইম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল শোন্থহল্লি। মরম অদুনা চাবা থকপা চেকশিন্দুনা অমদি হকচাং শাজেল তৌদুনা লায়না অসি চঙহন্দবনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি।

Title : PEACE



Jenila Atom
Class : , Sec.D, Roll: 8
R M School

Title : A SCENERY



Chungkham Henthoibi
Class :III , Sec. Daffodil, Roll: 20
R M School

Title : CAT




Samjetsabam Newton Meitei
Class :KG , Sec. Siroi Lily, Roll: 31
R M School, Kwakeithel

Title : HOUSE




L . Linthoinganbi
Class :KG , Sec. Vetch, Roll: 29
R.M. School

Title : A MANGO



Sally Kh
Class 1 , Sec. Buttercup, Roll: 29
R.M School

Title : FLOATING BOAT ON TUB POND



RK. Joyshree
Class : , Sec., Roll: 21

Title : POMEGRANATE



Ch. Manichandra Meitei
Class :I , Sec. Buttercup, Roll: 31
R. M. School

Title : JERRY



RK. Dinesh Singh
Class :III , Sec. Daffodil, Roll: 11
R.M. School

Title : SCENERY




Kh. Shrinibash
Class : , Sec., Roll:
Trinity Public School

Title : POKEMON UMBREON



Believe
Class :III , Sec., Roll: 34
St. Peter's High School



# নহাক করি খঙলে / অঙকপনা থল্লবা মীওইবগী হকচাং

- ঐখোয়না করিগুম্বা অমা চাশিন থকচিনবা মতমদা মহাউ খঙলিবসি টেষ্ট বদশিংগী মতেংদগীনি। টেষ্ট বদশিং চীন মনুং অমসুং চীনগী মথক্তা য়াওই। চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না টেষ্ট বদ মশীং হন্থরক্তুনা মহাউ খঙবা ঙম্বগী চাং হন্থরকই।
- ঐখোয় মীওইবা খুদিংমক্তা পাল্লিবা নাতোন অসি ইশা ইশাগী এয়র কন্দিসনিং সিষ্টেমনি। মসিনা অশাবা নুংশিৎ ঈংহনবগা লোয়ননা অঙ্গৈংবা নুংশিৎ শাগৎহল্লি অমসুং ফত্তবা অমোৎ-অকায়শিং চুমথোক্তুনা হকচাং মনুংদা চঙহন্দে।
- মীওই অয়াম্বনা নোংমগী শিন্থা পাঙলুরগা টেলিভিজন য়েংদুনা ঙাইহাক অৱা পোৎথানৈ। অদুবু টি ভি য়েংবদগীদি তূম্বদনা হেন্না কেলোরি বর্ন তৌই।
- মিনিট খুদিংগী হকচাং মনুংদা লৈবা সেল মিলিয়ন চহুমলোম শি। মসি তাবদা য়াম্না য়াম্বা মাঞ্জরবসু অপুনবা সেল মশীংগী শরুক খরখক্তনি। মীওইবা অমগী হকচাংদা য়াওরিবা অপুনবা সেল মশীং অসি ট্রিলিয়ন ১০ দগী ৫০ ফাওবনি। মরম অদুনা সেল মিলিয়ন খরখক শিখিবদা হকচাংদা থোইদোকপা অহোংবা লাক্তে।
- কনাগুম্বা নুপা অমনা মপুন্সিদা খদাংগী কোই অমুক্তফাওবা কক্তবা তারবদি মহাক্লা শিবা মতমদা কোই অদু ফুট ৩০ রোম শাংগনি।
- মীওইবগী ফৈগন্দা পাল্লিবা শরু অসিনা কোংক্রিটতগী হেন্না কল্লি।
- কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মশা মথন্তা নিংশা শ্বর থিংলগা শিজবা ঙমলোই।
- চাংচৎতা য়েংবদা শিবা কিবা মী মশিংদগীদি ফক্লাংদা নপ্পা মিরাং কিবা মী মশিংনা য়াম্বা হেল্লি।
- নুপাগা নুপীগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা নুপীনা মীৎ কুপ্পগী চাং শরুক অনী হেল্লি।
- ঐখোয় মীওইবনা মীৎ নাম্ম-খক্তা কুপ্পা মতমদা শিজিন্নরিবা মশল মশিং ২০০ হেল্লি।
- ওয়নানা হৈনবা মীওইশিংদগী য়েৎনা হৈনবা মীওইশিংনা চহী ৯ লোম পুন্সি শাংবা হেল্লি।
- নকোক্লা ফক্লাং অমদা থেং-জিনবা মতমদা শীজিন্নরিবা কেলোরি অসি পুং অমদা কেলোরি ১৫০ রোমনি।
- ঐখোয়না খঙদবগী ৱানি অদুবু থা খুদিংগী ঐখোয় মীওইবগী মপান ইথং থংবা উনশাগী লায়র অনৌবা অমমম শিল্লি।
- শুন্দ্রংদা এষ্ট্রোনোটশিংনা কপ্পা ঙমদে। করিগুম্বা কপ্পা তারবসু পিরাং অমত্তা শিন্থদে। মরমদি শুন্দ্রংদা গ্রেভিটি লৈতবা মরম্না পিরাং শিন্থবা ঙমদবনি।
- নোংমদা মীৎকী মশলশিংনা ১০০,০০০ রক হেন্না লেঙথোক লেঙশিন তৌই।
- মীওইবগী কিদনি অনীদা ঈশিং অমদি অতৈ মহী মনাই চুমথোক্লবা নেফ্রোন মিলিয়ন অমরোম য়াওই।
- খুজিলদা য়াওবা কেরাটিন কৌবা কম্পোনেন্ট অসিনা মীওইবগী হকচাংদা য়াওবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা কম্পোনেন্টনি।
- মীওইবগী উনশাদা য়াওরিবা নর্ভশিং অসি চাউরাক্লা মাইল ৪৫ রোম শাংই।
- চাংচৎতা মীওই অমগী মকোক্তা শম্না ১০০,০০০ রোম হৌই।
- চহী খুদিংগী মীওই অমনা চারিবা চীঙ্গাকশিং পুল্লপ পুনশিল্লবদি কিলোগ্রাম ৫০০ রোম লুমগনি।
- ঐখোয় মীওইবগী স্পাইনেল কোর্দতা ন্যুরোন ১৩,৫০০,০০ রোম য়াওই।
- মীওইবনা চারিবা থক্লিবা খুদিংমক চাওই নৎত্রগা হাওতে হায়বা খঙলিবসি লৈগী মতেংননি। লৈদা তোঙান-তোঙানবা মহাও খঙনবা টেষ্ট বদ ১০,০০০ রোম য়াওই।
- নর্ভশিংনা পুংদা মাইল ১৭০ য়াঙনা ব্রেনগা পাউ ফাওনবা ঙম্মী। কনাগুম্বা অমা খুদি থীজিন্দুনা খোঙবীদা শোকপা মতমদা খুদক্তা চৈনাখোল ফাওই। মসি ব্রেনগা নর্ভশিংগা খুদক্তা পাউ ফাওনবদগীনি। মমল তাঙবা অফবা মখলগী স্পোর্টস কার অমগী খোঙজেলগা চপ মান্নবা ব্রেনগা নর্ভশিংগা পাউ ফাওনৈ।
- মীওইবগী ব্রেননা মথৌ তৌবদা থাদোরক্লিবা এনর্জি অসি অশুক্কী মতীক শাফু কল্লি, মদুদি লাইট বল্ব অমা থানবদা চঙলিবা এনর্জিগা হাইরপ মান্নে।